**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 08-06-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৮-০৬-২০২৪, থাংজা)**

--**সিগনেচর ট্যুন**--

**---অকাশবানি ইম্ফাল মাইবম দ্বিজমনিনা পাউ পাজরি---**

--**অহানবদা মরুওইবা পাউ**--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - মনিপুরদা মীতোপ চংলকপা অমদি পোপি থাবা থীংলিবা অসি লমদমসিগী ফুরুপশিং কন্নবনি।

২) মনিপুরগী ইরাং লাকশিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা পাকশন্না ওপরেসন চথখি , খুৎশু খুৎলায় কয়া মরুম ফাগৎলে।

**অমসুং**

৩) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা এন.দি.এদা সরকার শেমবা বর্ত্তন তৌখ্রে, হয়েং ৱাশক লৌরগনি।

--**ট্যুন**--

**সি.এম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - মনিপুরদা মীতোপ খন্দোকপা অমদি পোপি থাবদা সরকারনা অথিংবা পীরিবা অসি লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী য়াইফনবনি। সরকারনা থাংজলক্লিবা খোংথাং অসিগী ময়োক্তা ইরাং হৌরকপা অসি লাইবক থীবনি।

হৌজিক দিল্লিদা লৈরিবা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ঙরাং পাউমীশিং গাউন্নবা অমদা হায়- মীতোপকী মশিং খঙহেন হেনগৎলকপা অসিনা মতম কুইনদগী লৈমিন্নরক্লিবা কুকিশিংদসু অকায়বা ওহরিবনি। হন্দক কুকিশিংনা মীতৈদা লানদারক্লিবা অসি অঙকপা ফাওই। তশেংনা মখোয়না লান থেংনগদবদি সরকারগনি। আইনন কায়না চংশিল্লক্লিবা মীতোপশিং খঙদোকবা চংশিল্লকখিবা খোংজংদা মীশি মীনা কয়া য়াওখ্রবনি। মহাকা হায়- হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা হায়বসি ইরাং হৌরিবা কাংবুদা য়ান্নবা পোরকপা অমা চংই। লমদম অসিদা আইন কায়না চংশিল্লক্লিবা মীতোপশিং খন্দোকপা, পোপি থাবা অমসুং দ্রগকী মায়োক্তা খোংজং চংশিল্লিবদি সরকারনি। মখোয়না এতেক তৌগে হায়রবসু সরকারদা তৌগদবনি। অদুবু মদুগী ওন্না তৈনবদা মখোয়গী অপন্বা অদুনা হেনমনবনা মীতৈশিংদা ওন্সিনবনি। শ্রী বিরেননা মখা তারদুনা হায়- হৌজিক ইরাং হৌরিবা কাংবু অসিনা তাল্লিবা দাবী অসি হেক্তম পীথোকপা য়াবা ৱাফম য়াওদে । মরম অসিনা ইরাং অসিগী পোলোই অমা লাকপা ঙমদবনি।

**ওপরেসন(এল)ঃ** মনিপরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লাকশিন্নবা চীং অমদি তম্পাক্কী জিলাশিংদা সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবুনা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি। ঙরাংশু বিষ্ণুপুর অমদি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোসশিংনা থীবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎলে ।পুলিসকী পাউনা হায়- ঙরাং অয়ুক অঙনবদা বিষ্ণুপুর অমদি

ভারত লান্মীগী অপুনবা কাংবু অমনা বিষ্ণুপুর জিলাগী ফোসেনফাই অমদি শংথোংগী অকোয়বা মফমশিংদা থীবা হুন্বগী থবক চত্থবদা করবাইন্দ মেছিন গন অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, কন্ট্রিমেদ মোতার পুম্পী অমা, হেন্দ গ্রেনেট ৫, রাইফল গ্রেনেট অমা, মোতার বোম অনি অমসুং আই.ই.দি য়াওনা খুৎলায় খরা ফাগৎখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থীবা হুন্বগী থবক চত্থখিবা অদুদা নাইন এম.এম করবাইন্দ মেছিন গন অমা, টু-ইন্স মোতার অমা, সিক্সতি এম.এমগী ইম্প্রোবাইজ হেভি কেলিভর মোতার অমা, পুম্পী গন অমা অমসুং য়াম্লবা নোংমৈ মরুশীং ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

**এরেস্ত(এল)ঃ** ককচিং জিলাগী মনুং চনবা পঙলতাবিদগী ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী কাংবু অমনা আইননা থীংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি পিপলস ৱার গ্রুপকী মীওই অহুম ফারে। ফারবা মীওইশিং অদুদি- বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোং মমাং লৈকায়, নিংথৌখোং খা লৈকায় অমসুং থৌবাল জিাগী হৈরোগ পার্টি-থ্রিদগী মীওইশিংনি।

পুলিসকী পাউনা হায়- ফারবা মীওইশিং অদুনা হায়দোরকপদগী মখোয় পাঙলতাবিগী অকোয়বা মফমশিংদা লৈবা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়বা খঙবা ঙম্লে। লোয়ননা লালহৌলুপ অসিগী মশানা মশাবু সি.ওনি হায়জবা ওইনাম মৈজাও এলাইস মাঙাং কৌবা মীওই অমগী মখাদা লালহৌলুপ অসিদা য়াওখিবনি হায়বসু খঙবা ঙমখি। মীওইশিং অসিদগী লালহৌলুপ অসিগী দিপ্যুতি ফাইনান্সনা সহি তৌবা লেতর হেদ ৫ , মরুতি ঐইথ হন্দ্রে অমদি মোবাইল হেন্দসেট ৩ ফাগৎপা ঙমখি। মখোয়গী মথক্তা মরী লৈনবা থবকশিং লৌখৎনবা ৱাঙু পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশীন্নখ্রে হায়রি।

কেন্দ্র(এল)ঃ কেন্দ্র সরকারগী স্কিল দিভলপমেন্ত এন্দ ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ মন্ত্রালয়গী মখাদা হৌখিবা মে ১৪ দগী ১৯ ফাওবা অমদি মে ২৮ দগী ২৯ ফাওবা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা স্কিল ইন্দিয়া কম্পীতিসন ২০২৩ -২৪ দা মনা লৌরকখ্রবশিংনা ঙরাং মনিপুরগী চিফ সেক্রেটরিগা উন্নখ্রে।

কম্পীতিসন অদুদা বেক্করিগী লমদা ইম্ফাল ইষ্টকী কৈকোল মমাং লৈকায়দগী এলদিসোনা অমসুং সনাতোন্বী য়াংলেমা বেক্করিদা অদুগা ইলেক্ট্রিকেল ইন্সতোলোসনদনা বিষ্ণুপুরগী তেরা খোংশাংবি মমাং লৈকায়দগী ৱাংহেংবম প্রেমচান্দ লুৱাংনা সনাগী তকমান লৌরকখি। কম্পীতিসন অসিগীদমক মনিপুর সোসাইতি ফোর স্কিল দিভলপমেন্ত মনিপুরনা তোঙান তোঙানবা হিরম অহুমদা কম্পীতিসন পাঙথোক্তুনা পার্টিসিপেন্তশিং অসি খনখিবনি। ঙরাং মনা লৌরকখ্রবশিংগা লোয়ননা মনিপুর সোসাইতি ফোর স্কিল দিভলপমেন্তগী ওফিসিয়েলশিংনা মনিপুর চিফ সেক্রেটরি উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা চিফ সেক্রেটরিনা মখোয়গী তুংগী পুন্সিদা মায়পাকপা ওইসনু হায়না থাগৎ ৱাহৈ ফোংদোকখি হায়রি।

**গেমসঃ** অৱাং-পোৎশঙবম গ্রাউন্দা ঙরাং শান্নখিবা অহানবা অৱাং কৌব্রুউ ত্রোফি ওপন ফুটবোল টুরনামেন্তকী মেটচশিংদা জেদ. প্রো এফ.সি লুৱাংশঙবমনা আই.দি. একাদমি শঞ্জেন্থমবু পাঞ্জল ৪-১, ৱাই.দি.সি এ পোৎশঙবম খুনৌনা বি.সি পোৎশঙবম খুলেনবু পাঞ্জল ৪-২ দা অমসুং মার্জিং এফ.সি হৈঙাংনা এ.দব্লিউ.এস.সি ৱাবগাইবু পাঞ্জল ৪-১ থোইখ্রে।

**সুব্রোতোঃ** থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট লেবেল সুব্রোতো কপ ইন্তরনেসনেল ২০২৪ ঙরাং ৱাংজিং কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লোইশিনখ্রে। টুরনামন্তে অসিগী ঙরাং শান্নখিবা চহি ১৭ মখাগী নুপী মচাশিংগী ফাইনেল মেটচতা কে.এম ব্লুমিং স্কুলনা অদুগা চহি ১৫ মখাগী নুপা মচাগীনা ন্যু পব্লিক হায়র

সেকেন্দরি স্কুল খাঙাবোকা ৱিন্নর ওইখ্রে । ঙরাং শান্নখিবা চহি ১৫ মখাগী নুপা মচাগী ফাইনেল মেটচ অদুদা নিউ পব্লিক হায়রসেকেন্দরি স্কুল খাঙাবোকা কে.এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলবু তাইব্রেক্তা থোইখিবনি।
চহি ১৭ মখাগী নুপী মচাগী ফাইনেল মেটচ অদুদনা কে.এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা খোংজেমা স্তেন্দর ইংলিস স্কুলবু থোইখি।

## --তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---

**রাষ্ট্রপতিঃ** রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা নেসনেল দিমোক্রেতিক এলাইএন্স( এন.দি.এ)দা সরকার শেমবা বর্ত্তন তৌখ্রে। রাষ্ট্রপতিনা এন.দি.এগী লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি ওইনবা লাউথোকখ্রবা শ্রী নরেন্দ্র মোদিদা বর্ত্তন তৌখিবনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম রাষ্ট্রপতি ভবনদা হয়েং নুমিদাংৱাইরম পাঙথোক্কনি।

রাষ্ট্রপতিনা শ্রী নরেন্দ্র মোদিবু এন.দি.এগী ৩ শুবা প্রধান মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌগনি। মদুগী মমাংদা বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ত জি.পি নদ্দনা শ্রী নরেন্দ্র মোদিবু এন.দি.এগী লুচিংবা ওইনা খল্লে। এন.দি.এগী মপাংশিংনা মহাকপ্ মপুং ফানা শৌগৎলে হায়বগী অইবা চেরোল অমসু রাষ্ট্রপতিদা পীশিনখি।

রাষ্ট্রপতি ভবনদগী থোরক্লবা তুংদা শ্রী নরেন্দ্র মোদিনা পাউমীশিংদা হায়- এন.দি.এনা লৈবাক অসিদা মপাঙ্গল কনবা সরকার অমা লিংবা ঙমগনি। মহাক্কী মন্ত্রি মন্দলদা কনা কনা য়াওগদগে হায়বগী লিস্ত অমসু রাষ্ট্রপতিদা পীশিনগনি । মহাকা হায়- এন.দি.এদা মীয়ামা অহুমরক শুবা ওইনা সরকার পায়নবা তঞ্জা অমা পীবিরে। মসিনা ১৮ শুবা লোক সভাদা অনৌবা ইনোট অমা হাপ্লগনি অমদি সরকার অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামগী অপন্থশিং থুংহন্নবা হোৎনগনি। অনৌবা সরকার অসিনা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনগনি অমদি খুমাং য়াংনা চাউখৎহন্নবা তোঙান তোঙানবা থবক কয়া পায়খৎকনি।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়-শ্রী নরেন্দ্র মোদিবু প্রধান মন্ত্রি ওইনবা মহাকা খল্লে। মসি সংবিধানগী আর্টিকল ৭৫ ক্লোস ৱানগী মখাদা খনবনি। রাষ্ট্রপতি ভবনদা হয়েং ৱাশক লৌগদৌরিবা অসিদা মহাক্কী মন্ত্রি মন্দলদা কনা কনা য়াওগদগে হায়বদু মমিং ওইনা পীশিল্লকবা শ্রী নরেন্দ্র মোদিদা রাষ্ট্রপতিনা খঙহনখি। মদুগী মমাংদা এন.দি পার্লিয়ামন্তরি পার্টিগী মীফমনা শ্রী নরেন্দ্র মোদিবু এন.দি.এগী লুচিংবা ওইনা খনখিবনি। ন্যু দিল্লিগী ওল্ড পার্লিয়ামেন্তরি বিল্ডিংদা লৈবা সেন্ত্রেল হোলদা পাঙথোকখিবা মহাকপু লুচিংবা খনবগী মিতিং অদুদা বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা রাজনাথ সিংহনা শ্রী মোদিবু এন.দি.এগী লুচিংবা ওইনা খন্নবা ৱাফম পুখৎলকখি। মদুদা এন.দি.এগী মপাংশিংনা মোট অমত্তা ওইনা শ্রী মোদিবু এন.দি.এগী লুচিংবা ওইনা খনখিবনি।

**টি.দি.পিঃ** তেলিগুদেসম পার্টিগী মকোক চন্দ্রবাবু নাইদুনা হায়রি - শ্রী নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা লাক্কদৌরিবা এন.দি.এ সরকারনা লৈবাক অসিদা অনৌবা থৌরাং কয়া পায়খৎপা ঙমগনি। হৌখিবা চহি ১০ অসিদা এন.দি.এ সরকারনা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎতুনা লৈবাক অসিবু হেন্না চাউখৎপা অমসুং অহোংবা কয়া পুরকপা ঙমখি। হৌজিক্তি লৈবাক অসিনা অশেংবা লুচিংবা অমা চপ চাবা মতম অসিদা খনবা ঙল্লে । মহাক অদুদি শ্রী নরেন্দ্র মোদিনি।

ঃ

ঃ

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক--**
**হৌজিক মঙশাতবম প্রেমানন্দা লৈরে--**

**---প্রেমানন্দা---**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি - মনিপুরদা মীতোপ চংলকপা অমদি পোপি থাবা থীংলিবা অসি লমদমসিগী ফুরুপশিং কন্নবনি।

২) মনিপুরগী ইরাং লাকশিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা পাকশন্না ওপরেসন চত্থখি , খুৎশু খুৎলায় কয়া মরুম ফাগৎলে।

**অমসুং**

৩) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা এন.দি.এদা সরকার শেমবা বর্ত্তন তৌখ্রে, হয়েং ৱাশক লৌরগনি।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি- দ্বিজমনি**

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা নরেন্দ্র মোদি হয়েং নুমিদাংৱাইম প্রাইম মিনিস্তর ওইনা ৱাশক লৌরগনি হায়বা পাউ, সেকমাই পাঙলতাবি তুরেলদা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা লান্দারকখিবা, জিরিবামদা চাউনা উংখৎনবা থোকপদগী কার্ফিউগী থমজিনখ্রে হায়বা পাউ অমদি এন.দি.এগী অনৌবা লৈঙাক কুইনা চৎলোই হায়বা মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মীতিগী ৱাফম মরুওইবা পাউশিং ওইনা হেদলাইন তৌনরি।

পোকফমদা - জিরিবামদা কাংলুপকী ইরাং কনখৎলক্লে, মী কয়া লাঞ্জেন্নরে হায়বা পাউগা লোয়ননা জিরিবাম অমসুং তমেংলোংদা পব্লিক কার্ফিউ থমখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস ইদিসন, সনা লৈবাক, ঈচেল এক্সপ্রেস , মনিপুর নিউজ, মোর্নিং বেল, পিপলস ক্রোনিকল অমদি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

নরেন্দ্র মোদিনা প্রসিদেন্ত দ্রৌপদি মুরমুগা উন্নরগা গভর্নমেন্ত শেমবা ক্লেম তৌখ্রে হায়বা পাউ পোকফম পাউচেদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। নরেন্দ্র মোদিবু লোক সভা, বি.জে.পি অমসুং এন.দি.এ পার্লিয়ামেন্তর পার্টিগী লুচিংবা ওইনা খনখিবা অমদি হয়েং প্রাইম মিনিস্তর ওইনা ৱাশক লৌরগনি হায়বা পাউ অসি ঙসি ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বদা অহানবা লমায়দা হেদালইন তৌদুনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা -ইম্ফাল মনুংগী মফম খরদি হৌজিকসু ঈশিং থুম্লি, লম্বী মপাদল দম্বুর খল্লগা লৈনবসু য়াওরি। য়েংশিনবিবা ৱাৎপগী পেন্দবসু পোকরি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। হন্দক্কী লোক সভা মীখলগী মমি এসেমব্লি মীখলদা তাগনি হায়বা মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মীতিগী ৱাফম এঙ্কর কলমদা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদা এন.দি.এগী অনৌবা লৈঙাক মতম কুইনা চৎলোই হায়না হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বদা অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌবা থেংনরি।

নহারোলগী থৌদাংদা - পাউ ইরুবগী এদিতর লোইয়ালাকপগী পুন্সিদা ফোংনা শীংনরে, পীরম্বা সেক্যুরিতি লৌথোকখ্রে, য়ুমদা হনবগী লম্বীদা শক খঙদবা গাড়ি অনিনা কোয়তান তান্নখ্রে হায়বা পাউনা বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা - মনিপুরদা আই.এল.পি মপুং ফানা চৎনহল্লু হায়না অনসমনা মরী লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিল্লক্লি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**গানিফিউ মেলদা**- এন.পি.এফনা আই.এন.সিগী মীরেপ্তা এম.পি ওইনা মায় পাকখ্রবা অলফ্রেদ কাংঙম এস অথরবু থাগৎপা ফেংদোরক্লি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং তাইমসতা -চহি অসিগী নিট পারিক্ষাদা মার্ককী চয়েৎনবা লৈরিবা অদুগী মতাংদা কলকত্তা হায়কোর্টতা পী.আই.এল অমা থাংগৎখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

--**দ্বিজমনি**--